ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




ফেরোইজম পরিজাৎ মেমোরিএল ত্রষ্টনা লম্লাই লোকল কাউন্সিল সী পি আইগা খুৎশম্নদুনা লম্লাইগী চালৌদা লৈবা ইরাবত পার্কতা পাঙথোকখিবা লৈখিদ্রবা পরিজাৎকী ১০শুবা কুমওনদা ডা. নরনা ৱা ঙাঙবা


মণিপুরদা পি আর লৈঙাক্কী মহাওসিবু করি ... লামায় ৪

লামায় ৫ বৈজিংনা য়েরকপা পুঙলোন্দা ম্যান্মারগী জুন্টা (হুন্টা) ...

তেংনৌপল শঙশক লম্বী শেম্নবগী কম্পেনি, ফার্মশিংনা ... লামায় ৬

লামায় ৮ থম্মোয় পাউদম : লান্ন-থৌরম অমা য়াওরুঙৈ...

নেশনল এদ্যুকেশন পোলিসিগী ৱাথোক সুপ্রিম... লামায় ৯

লামায় ১২ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট : ফাইনেলদা ...


ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকখ্রবা মতুং অহানবা ওইনা কোংগ্রেস এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা রাজ ভবনদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাগা উনখিবা




Vol. 48, Issue No. 330 | ইরাই, লমতাগী ৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Friday, March 07, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## প্রসিদেন্টস রুলনা হূইনাও চাল্লগা লৈতোন লেক্লব্রা এ আর চঙশিল্লুবদা য়ু কে এন এনা নোংমৈ কাপ্লকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস) :** চৎলিবা চহী ২০২৫ অসিগী হৌগৎলকপা জন্যুৱারী ৩দা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রস (এম ঐচ এ) দা সেক্রেটরি ওইরম্বদগী পোত্থারবা অজয় কুমার ভল্লাবু মণিপুরগী গভর্ণর ওইনা ৱাশক লৌখিবদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা বোম অমসুং নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তারকখিদ্রবা মতুং মমাঙ থাগী ১৩দগী প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকপদগীদি কুকি টেররিষ্টশিংনা থেঙ্খাং অনীরক্তা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক থোকহল্লকপনা অনৌবা লৈঙাক অসিনা হূইনাও মচা লুনা তৌরগা লৈতোন লেকই হায়বগী থৌদৌদু তারল্লব্রা হায়না হংনরক্লে।

মমাঙ থাগী ২৮দা কোংবা মরূ লাইফমলেনদা ঈরাৎ থৌনি পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরুবদা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপথরকখ্রবা মতুং ঙসি অয়ূক চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা লৈবা ৩৬-অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা হেংলেপ সব দিভিজনগী মনুং চল্লিবা এস খোমনোম অমদি হাওবিজাং খুল তম্না চঙশিল্লুবদা কুকি

> **ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকখ্রবা মতুংদা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক অনীরক শুরে**

টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপথোরকখ্রে। থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক পুং ১১ খরা হেল্লকপদা থোকখিবনি।

পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা মহৌশাগুম্না ৩৬-এ আরগী পর্সনেলশিংনা খুলশিং অসিদা মমাঙদা পাঙথোকখিবগুম্না মারুটি জীপসি অমনা মাঙ থারগা তুংদা ৪০৭ মিনি ত্রক অমদা তোংদুনা খুলশিং অসিদা 'লোঙ রেঞ্জ পেট্রোলিং' পাঙথোক্ল বগীদমক চঙশিল্লুবনি হায়রি।

এ আরগী ত্রুপশিংনা খুল অনীসিগী তাইনফম য়ৌরকপদা খরা লাপ্পা মফম অমদগী মণিপুর অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) তৌনবদা য়াওদবা য়ুনাইটেদ কুকি নেশনল আর্মি (য়ু কে এন এ) গী কাদরশিংনা নোংমৈ অমদি বোমশিং কাপশিল্লকখিবনি হায়রি।

অরাপ্পা মফমদগী কাপ্লকখিবনা নোংমৈ অমসুং বোম্না অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংদা অশোক অপন য়াওহনবা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক বোম অমসুং নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী এ আরগী কাঙবুনসু হন্দুনা নুমিৎয়ুংবা মতুং ফাওবা নাকল অনীগী মরক্তা অওক-ওকথোং তৌদুনা খূৎ থোক্লখি হায়রি।

থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুংদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর য়াওনা চিংনবা মফমশিংদা কম্বাইন্দ ফোর্সনা থি-হুম্বগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি। অদুবু ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা কম্বাইন্দ ফোর্সনা খুৎশু-খুৎলায় য়াওনা অমসুং য়াওদনা মরাল লৈবা মীওইশিং ফাগৎপগী পাউদি ফংখিদে।

## মতৌ করম্না চাক্লকপনো
## হাওতক খুল্লেন ১সুং কৈথেলমানবীগী এ আর কেম্প মনাক্তা লাম্নৈ চাক্লকখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১দা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা চেয়র লৌদুনা দেল্লীদা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী সিক্যুরিটিগী ফীভম রিভিয়ু তৌবা মীফমদা থা অসিগী ৮দগী নেশনল হায়ৱেশিং য়াওনা মণিপুরগী লম্বীশিংদা মীয়াম্বু মহৌশাগুম্না ফ্রীদা চৎথোক-চৎশিন তৌহনগদবনি হায়বগী অহকপা পাউতাক পীরকখিবগা লোয়ননা গভর্ণরনা খূৎশু-খূৎলায় সরেন্দর তৌরক্লবগী অরোইবা আপীলগী ঙসি অরোইবা মতম লোইখ্রবা মতুংদা হাওতক খুল্লেন অমসুং নোংচুপ কৈথেলমানবীদা লৈবা এ আরগী কেম্প মনাক্তা পাক্তক্লনা লাম্নৈ চাক্লকখ্রে।

মফম অনীসিদা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## প্রসিদেন্টস রুল শীংনরকপা কেস
## হায় কোর্টনা খন্নখ্রে, মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসতা পাউখুম পীরক্লবা নোটিশ ইস্যু তৌখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস) :** মমাঙ থাগী ১৩দা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা মঙোন্দা কন্সটিট্যুশনগী আর্টিকল ৩৫৬না পীবা পৱারগী মতুংইন্না ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিবু সস্পেন্দেদ এনিমেশনদা থল্লগা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকখিবগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিশন (সিভিল) নম্বর ১৫৫ ওফ ২০২৫ ঙসি চীফ জষ্টিস দি কৃষ্ণকুমার অমসুং জষ্টিস এ গুনেশ্বরগী বেঞ্চনা অহানবা আইটেম ওইনা লৌখৎতুনা খন্নখ্রে।

মেট্টর অসি কোর্টনা লৌখৎলকপদা পিটিশন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট ওইরিবা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র (এম ঐচ এ) গী সেক্রেটরিগী মায়কৈদা লৈবাক অসিগী সোলিসিটর জেনরেল টুসর মহেতানা ভর্চ্যুএল মোদতা এপিয়র তৌরগা মণিপুরগী এদভোকেট জেনরেলনা মতেং পাংখি। অদুগা পিটিস্নরগী মায়কৈদনা কাউন্সেল এন মহেন্দ্রনা লেপখি।

কোর্টনা নাকল অনীমক্কী মহুৎ শিনবা সোলিসিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া অমসুং কাউন্সেল এন মহেন্দ্রনা তৌরকপা সবমিশনশিং ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## এম পি বিমোলনা গভর্ণরগা উনখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস):** মণিপুরগী লোক সভাগী এম পি অনীগী মনুংদা নম্বর ১-ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিগী কোংগ্রেস এম পি ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা ঙসি নুংথিল রাজ ভবনদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লাগা উনখ্রে।

মহাক্না ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তারকপদগী গভর্ণরগা উনখিবদা মহাক্কী লোয়নবীসু য়াওখি। অদুম ওইনমক রাজ ভবনগী মায়কৈদগীদি গভর্ণর নত্তনা অতোপ্পা মীওই অমত্তা শরুক য়াখিদে হায়রি। মখোয় অনীগী মরক্তা করি-করম্বা ৱাফম পুথোক্তুনা খন্নখিবগে হায়বদুদি ওফিশল ওইনা খঙবা ঙমখিদ্রি।

## কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাখিবদগী শরূ ফাওবা ফংদ্রিবা এন্থোনি অমসুং অভিনাসকী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লগনি



**ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস) :** কুমজা ২০২৩গী নবেম্বর ৫দা সেকমাই লাম্থোক্লগা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট লোমদা চঙশিল্লুবদগী কুকি টেররিষ্টশিংনা ফাখ্রবা মতুংদগী ঙসি ফাওবা মফম খঙদবগী মথক্তা হাৎতোকপীখ্রে হায়রবা ফাওবদা শরূ ফাওবা ফংদ্রিবা চহী নৌরিবা লমশাং পি এসনা কোনবা অখাম অৱাং লৈকায়দগী নিংথৌজম এন্থোনি অমদি মাইবম অভিনাসকী অরোইবা মথৌ মঙম থা অসিগী ২৩দা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুরদা লময়ানবা ইরাবতকুম্বা লুচিংবা ১গী মথৌ তারি : ডা. নর

**ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা লময়ানবা হিজম ইরাবতকুম্বা লুচিংবা অমগী মথৌ তাবদা নত্তনা মহাক্কী ৱাখল্লোন অমদি ফিদম ঐখোয়না তুং ইন্দুনা চৎপা মথৌ তাই হায়না মণিপুরগী কম্যুনিষ্ট লুচিংবা অমসুং হান্নগী মিনিষ্টর ডা. মোইরাংথেম নরনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি হান্না মণিপুর লৈঙাক্কী মিনিষ্টর ওইরম্বা অমসুং কম্যুনিষ্ট লুচিংবা লৈখিদ্রবা ফেরোইজম পরিজাৎকী ১০শুবা নীংশিং থৌরমদা শরুক য়ারদুনা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসি ফেরোইজম পরিজাৎ মেমোরিএল ত্রষ্টনা লম্লাই লোকল কাউন্সিল সী পি আইগা পূন্না শিন্দুনা লম্লাইগী চালৌদা লৈবা ইরাবত পার্কতা ঙসি পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা ডা. নরনা মখা তানা হায়, ঙসিগী থৌরম অসি ইচম চম্বা থৌরম ওইজরবসু পুৱারীগী য়াওল অমা পুরক্লবা মীফম অমসু ওইরিবনি। লৈবাক অসিগী মীয়াম্বু লমজিংবীনবা লৈতবা, লম্বী লম্দাংনরবা মায়কৈ খুদিংদা মানা-মানা থোকপা ...মখা লমায় ৩ কলম ২





HL-B/9358/25,26,1,4,7 march


## অরোইবা নুমিৎতসু খূৎশু-খূৎলায় কয়া সরেন্দর তৌরকখ্রে





**ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস) :** প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকখ্রবা মতুং মমাঙ থাগী ২০দা গভর্ণর এ কে ভল্লানা নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লুট তৌখিবা অমসুং ইল্লিগেল ওইবা খূৎশু খূৎলায়শিং সরেন্দর তৌরক্লবা আপীল তৌখিবগী মতুংইন্না খূৎশু-খূৎলায় খরা পীখৎনরকখ্রবসু মশীং শুদবদগী অমুক্কা হন্না অরোইবা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা ৱাৎহৌরিবা খূৎশু-খূৎলায়শিং পীখৎলক্লবা আপীল তৌখিবগী মতুংইন্না তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা খূৎশু-খূৎলায় কয়া পীখৎনরকখ্রে।

ককচীং দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকীদি অহুল্লকশুবা ওইনা ঙসি খূৎশু-খূৎলায় কয়া পীখৎলকখি। খূৎশু-খূৎলায়শিং অদুগী মনুংদা এস এল আর ২, সিঙ্গল বেরেল ১০, দবল বেরেল ১, কন্ত্রি মেদ পিষ্টোল ৩, ৯ এম এম পিষ্টোল ১, এস এম জি কর্বাইন ২নচিংবা নোংমৈশিং য়াওখি। অদুগা তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ, হেন্দ গ্রেনেদ ২৩ নচিংবসু য়াওখি। খূৎশু-খূৎলায়শিং অদু এস পি প্রিয়াদর্সনি লাইশ্রম অমসুং এদিসনেল এস পি বিনোয় চোংথামনা পাউমীশিংদা উৎখি।

অমরোমদা, নরানসৈনাগী অনীশুবা আই আর বিদসু খূৎশু-খূৎলায়শিং সরেন্দর তৌরকখ্রে। খূৎশু-খূৎলায়শিং অদু বট্টালিয়ন অসিগী সী ও হোপসন সাপমনা লুচিংবা টিম্না পুরক্তুনা মোইরাং পি এসতা খূৎশিন্নখি। খূৎশু-খূৎলায়শিং অদুগী মনুংদা কর্বাইন ৪, ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## খুলঙাকপশিংফাবা-পুনবা তৌরক্লিবসি ৩শুবা নুপীলান অমগী পাউকৎপীবনি



**ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস) :** কুকি টেররিষ্টশিংনা লান্দারকপদগী মীয়ামগী পুন্সি অমসুং লন-থুম ঙাক্লবগীদমক খুল ঙাকপা ইচাশিং থোরকপনি হায়রদুনা চীংয়া-তময়াদা লৈরিবা খুল ঙাকপশিংবু কোম্বিং ওপরেশন তৌরগা ফাগনি হায়বা লৈঙাক্কী ৱাফম অসি ৩শুবা নুপীলান অমগী পাউকৎ থারকপনি লৌই হায়না অপূনবা নুপী খুন্নাই লমজিং মৈরা লূপ, য়াইরিপোক-১না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল লূপ অসিনা শীন্দুনা য়াইরিপোক টৌপ চীংথা মথক লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা ...মখা লমায় ৮ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

## রোবেন মীশিগী লংলা-লংজিন পুথোক্ত্রিবা ফাওবা হকচাং লৌরোই



**ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১গী নুমিদাংদা লম্বোইখোংনাংখোঙগী লেন নম্বর ১১ চোংথাম লৈরক্তা মশানা থৌবা কার মৈ চাক্লকপদগী লৈখিদ্রে হায়রিবা ইরোইশেম্বা মনীং লৈকায়দগী থোকচোম রোবেন (৪৫) অপোকপা টি ঐচ গুলামচাৎকী মীশিগী মতাংদা অচুম্বা লংলা-লংজিন পুথোক্ত্রিবা ফাওবা মহাক্কী হকচাং লৌখিরোই হায়দুনা থৌদোক অসিগী মায়োক্তা শেমখিবা জে এ সীনা ঙসি ইরোইশেম্বা মনীং লৈকায়দা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখ্রে।

জে এ সীগী কনভিনর ইরোম ফুলেন্দ্রোনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫